বি জে পিদা চঙলকপদা কন্দিসন থল্লকপদি য়ারোই...

লামায় ১গী মখা... পান্দম তোঙান্না লৈবা তাবনি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরবা বি জে পিগী তোপ-তোপ্পা চৎন-কাঙলোন লৈরি। মসিদা লৈবাকসিগী মীয়াম্না থাজবা থল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদসু মীওই কয়া অমা পার্টি অসিদা য়াওরক্লি। কনাগুম্বা অমনা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা চঙলক্লগা ষ্টেটকী ওইবা ইস্যু কয়া সোল্ব তৌনবা হোৎনবদা শরুক য়াগে অমদি মীয়ামগী খোল্লাওশিং অসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌবা ঙম্নবা হোৎনগে হায়বা শোয়দনা য়াওরমগনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেমব্লী মীখল মাঙদা তাদুনা লৈরি। হায়রিবা মীখল অসিদা মাগী মাগী লাইবক লেপচনবা কনাগুম্বশিংনা মীখল থেংননিংবা য়াওরকপা মতমদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইনা থোক্লকপদা অথিংবা করিসু লৈতে। অদুবু পার্টিনা লৈরিবা ময়ামদুদগী মহাক্না তৌরগদি খরা হেন্না ফগনি হায়দুনা খল্লগা সেন্টরনা অমদি ষ্টেটনা লৌরকপা ৱারেপতা পার্টি ৱার্কর খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা থবক তৌবীয়ু। ঐ ইশানা অকোনবা হায়বদি সেল্ফ লাষ্ট ওইহন্দুনা থবক তৌসি। ঐনা খল্লিবা ৱাখলসু মণিপুর চাউখৎহনবনি। ঐগী মায়োক্লবদা লৈরিবশিংনসু মণিপুর চাউখৎহন্নিংলমগনি। অদুবু মণিপুর চাউখৎনবা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা হেন্না থবক তৌগে হায়বা ৱাফমদুদা লাক্লবা কান্দা থবক তৌসি।

মালেমগী পুৱারীদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মফম মফমদুগী য়ুমথোঙ খূদিংমক পেলহনবা হায়বসি লৈতে। অদুবু বি জে পিগী কম্মিটমেন্ট অমগী মখাদা হন্দক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীয়ামগী চাকখুম য়ৌনা চান-থক্লবা পোৎলম থিল্লকপা হায়বসি মালেমগী পুৱারীদা য়াওরিবনি। লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা বি জে পিনা মতম-মতমগী চপ চাবা খোঙথাং থাংগনি। লমদমসিদা ঙসি ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লিবা, বন্দ, ব্লোকেদ লৈত্রবা, নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদ্রবা মণিপুর অসি খরগা হেন্না অফবা ওইহনসি হায়রবদি বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হল্লকহনবা মথৌ তাই। অমুক হল্লকহনবদা নত্তনা হন্না হন্না লমদমসিদা অসিগুম্বা লৈঙাক অসি লৈহনবা চঙই। মতম কয়াগী মমাঙদগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুংদা লমদমসিদা বি জে পি লৈঙাক্না আই এল পি পুরকখ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী ইহুল খঙবা, মীয়ামগী খোল্লাও দেল্লী য়ৌহনবা ঙম্বা লৈঙাক অমনি। মণিপুরগী তুংগীদমক খল্লগা বি জে পিগী লৈঙাক অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না লৈহনবা মথৌ তারি। অদুনা লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা চাউনা মায় পাকহন্ননবা বি জে পিগী ৱার্কর খূদিংম্কনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ, বি জে পি কৈশামথোং মন্দল অমসুং শুগুনু মন্দলগী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

মিজোরামদা পোজিটিভ মশীং হেনগৎলকপনা বোর্দরদগী ...

লামায় ১গী মখা... সেকেন্দ ৱেভতা ২০৮, চহী ৪৬তগী ৬০ ফাওবগী মনুংদনা ফর্ষ্ট ৱেভতা ২০৮, সেকেন্দ ৱেভতা ৪৯৮, চহী ৬১দগীনা ৭৫ ফাওবদা লৈবা মীওইশিংনা ফর্ষ্ট ৱেভতা ১৩৮ অমসুং সেকেন্দ ৱেভতা ৫২৯, চহী ৭৬তগীনা ১০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা ফর্ষ্ট ৱেভতা ৫২ অদুগা সেকেন্দ ৱেভতনা ২৪০ ওইখিবগা লোয়ননা চহী ৯১দগী ১০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা ফর্ষ্ট ৱেভতা ৩ অদুগা সেকেন্দ ৱেভতনা মীওই ৩৮ ওইখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না লৈখিদবা চহী কাঙলূপকী মীওইশিংনা চহী ৬১দগীনা ৭৫ ফাওবগী মনুংদা ওইরি। হায়রিবা কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৩৬.৮নি হায়রি। লোয়ননা ফেব্রুৱারীদগী জুলাই ফাওবগী মনুংদা কোভিদনা মীওই ৪০৬ রোম শিখি অদুগা জন্যুৱারীদগী লাকখৎতুনা য়েংলকপদা জুলাই থা খক্তদা মীওই ৪০৬ শিখি, সেপ্টেম্বরদনা ৩৫, এপ্রিলদা ৩১ অদুগা মে থাদনা মীওই ৪০০ রোম শিখি। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিহনবগী মশীং য়াম্না হন্থখ্রে হায়রি।

ভেক্সিনেসন অসিগী অহানবা দোজ কাপ্পবা মতুংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৮৫নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপ্পবা মতুংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮নি। অতৈ লেমহৌরিবা মশীং অসিনা ভেক্সিনেসন তৌদ্রিবশিংনি হায়খি।

হৌজিক্তি হোস্পিটালশিংদা ইমর্জেন্সি ওইনা এদমিসন তৌবগী মশীংসু হন্থরক্লে। অদুম ওইনমক ঐখোয় চেকশিন্দবদি য়াদ্রি। মরকসিদা থর্দ ৱেভ লাকপা য়াই হায়না খন্নদুনা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিংদসু শোক্লকপা য়াই হায়বদগী মখোয়গী পুন্সি কন্দবা য়াদে হায়দুনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা আই সী য়ু রিজর্ভ তৌবগা লোয়ননা অঙাংশিংগী থম্ফম শেম্নবা খঙহনখ্রে। রিমস, জেনিমস অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদসু অঙাংশিংগী থম্ফম শেম্নবা খঙহনখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা আই সী য়ু বেদ ১০/১০ থম্বগা লোয়ননা মসিগী মথক্তা আই সী য়ুগী বেদ ৩দগী ৫ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহন্নবা 'ঈ-গভর্ণমেন্ট ফাউন্দেসন' হায়বা এন জি ও অমনা থবক পায়খৎপসু হৌরে। ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টরশিংদা মৈগী ফীভম ফগৎহনবা, টেষ্টিং ষ্টোরেজ ফজনা থম্বা য়ানবা থৌরাং লৌখৎলে। ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না খূৎশম্ন রগা পায়খৎপা সোলর সিষ্টমগী খুদোংচাবসু অকোয়বদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টরশিংদা য়েম্থোকখ্রে। ককচীংদা ফমুং ১০০ লৈগদবা হোস্পিটাল শেমগৎলি। লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না হায়জরগা সী এফ হায়বা ওর্গনাইজেসন অমনা উখ্রুলদা ফমুং ৪০ লৈবা হোস্পিটাল অমা থম্নবা হোৎনরি হায়খি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ১০ য়াওনা অনৌবা পোজিটিভ কেস ২১৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২, চান্দেল অমসুং কাংপোকপীদগী মীওই ১/১ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অসিগী মনুংদা ৩দি কোভিদ ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংনি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৮২১ শুখ্রে।

সেন্টরগী লুচিংবশিংগী ৱাশক ওন্ন-তৈনরক্লি...

লামায় ১গী মখা... ফবনি অদুবু অচৌবা চাংয়েং অমসুনি। ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা পার্টি অসিগী লিদরশিংগা তানরগা মণিপুরদা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনরি অমসুং ১১শুবা ইলেক্সনদা সেন্টরগী লুচিংবা কয়া লাক্তুনা ওইদবা ৱাশক কয়া শকখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবা ময়াম হৌজিক তৌরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি নম্বোল এ সীগী মনুংদা লৈবা কোংগ্রেসকী কম্মিশিংনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্পকখ্রবা নামৈরাকপম লোকেনবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা নম্বোল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেননা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী নম্বোল চীংমাংদা লৈবা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পার্টি প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, জিরি লম্বী অসি এরোপ্লেন তাবা য়াবা লম্বী ওইহনগনি হায়রগা ঙসি জিরি লম্বীদা ওইরিবা ফীভম অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। বি জে পিনা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাকপদগী খুঙ্গং-খুঙ্গং অমদি অর্বান এরিয়াশিংদা য়ূম লৈতবা মীওইশিংগী য়ূম লেম্না পীরে, শাবিরে হায়না লাউরি। ময়ামসি হায়রবসু ঙসি ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। লায়রবা মীওই অমনা হান্না লুপা লিশীং ৫০ পুথোক্লগা য়ূম শাবা হৌরবা মতুংদা কোন্না মীওই অদুগী একাউন্টতা শেনফম অসি থাজিল্লক্কে হায়বা অসি লায়রবা অমদি নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওই অমনা ঙম্বা থবক নত্তে হায়খি।

ঙসি ফাওবদা য়ূম শাবগী ইন্সটোলমেন্ট নাইনা পীরিবা শেনফমশিং অসিসু শুনা পীদ্রি। মরম অসিনা এ আই সী সী অমসুং এম পি সী সীগী মকোক থোংবশিংনা মঙোন দা শিন্নরিবা চাংয়েং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা নম্বোল এ সীদা লৈবিরিবা মীয়াম্না লোকেন ঐহাকমক্লি খন্দুনা লাক্লিবা মীখল অসিদসু অমুক হন্না মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্না অতোপ্পা পার্টিবু শৌগৎলম্বা মীওই কয়ানসু ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসতা চঙলকপদা লেংয়ান ফি ইনবীদুনা তরাম্না ওকখি।

ঙসিগী ওকপগী থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেননা অথোইবা মীথুং ওইরগা নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল লোকেন্দ্রোনা ময়ায় তাংবল লৌখি। অদুগা ইকায়খুম্ন রবা মীথুংশিংদনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী এক্স প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র, নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটগী এক্স প্রসিদেন্ট এন মঙ্গি, বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভৈরোপ অমদি নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কোংগ্রেসকী এক্স কাউন্সিল্লরশিংনা ওইখি।

নুপী লীলা কম্পিটিসন

লামায় ১গী মখা... কলচর লোয়শঙনা শীন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর থাদা নীংতম লান্থেংদা নুপীশিংনা লৌবা থৌদাংশিংদা য়ূম্ফম ওইবা নুপী শুমাং লীলা কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

কম্পিটিসন অসিদা অহানবা পোজিসন তারবা পার্টি অদুদা নুপী লাল নুমিৎ, দিসেম্বর ১২, ২০২১দা মনা মথুম য়েম্থোকপগা লোয়ননা লীলা অদুসু উৎকনি হায়রি। কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানীংবা নুপী শুমাং লীলা কাঙলূপশিংনা থেংলবদা ওক্টোবর ১ ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরদা এপ্লিকেসনশিং পীশিল্লক্কদবনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা লীলা কাঙলূপশিংগী স্ক্রিনিংগী থবকনা ওক্টোবরগী ৩শুবা চয়োলদা পাঙথোক্কনি।

এন ঈ মিনিষ্টরশিংগী...

লামায় ১গী মখা... চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা অমসুং লাক্লিবা ওক্টোবর থাদসু অতোপ্পা ৱাটর সপ্লায় স্কিম ৪৮ শঙ্গাননবা থৌরাং তৌরি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা হৌখিবা এপ্রিল থাদগী স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা খরা তপথরুরবসু অপীবা মতমগী মনুংদা স্কিম অসিগী থবকশিং লোইশিন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। স্বাছ ভারত মিসন (জি) ফেজ টুগী মখাদা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী য়ুনিট মরি, লিক্যুইদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী য়ুনিট ১৬ অমসুং প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী য়ুনিট ১৭ শাখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্না স্বাছ ভারত মিসনগী টার্গেট অসিসু য়ৌহন্ননবা কন্না হোৎনরি। ষ্টিলগী মমল ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা পাইপকী মমলসু হেনগৎলক্লি। মসিনা পাইপকী ইষ্টিমেট কোষ্টতসু হেনগৎহল্লে। মরম অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ জলশক্তিনা অহেনবা ফন্দ পীবীননবা আপীল তৌজরি হায়নসু মিনিষ্টর লোসি দিখোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.521766
US Dollar	73.497334
British Pound	101.678562
Australian Dollar	53.799348
Chinese Yuan Renminbi	11.402598
Japanese Yen	0.671913
Malaysian Ringgit	17.673320
Singapore Dollar	54.723443
South Korean Won	0.062686
Saudi Arabian Riyal	19.599289
Thai Baht	2.223812

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46596.00
Mumbai	–	Rs	46990.00
Delhi	–	Rs	46854.00
Kolkata	–	Rs	47190.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
Booking:08-09-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 03-09-21
B/upto - 04-09-21
Stock 306
7am to 10am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 15/08/2021
BOOKING UPTO: 20/08/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

গো টু হিলস অসি দ্রামা তৌরগা হল্লকপদুরা ...

লামায় ১গী মখা... এম এল এ কে রঞ্জিৎনা এ সী অসিদা তৌরিবা থবক থৌরমশিংদা অপেনবা পোল্লন্দুনা এম এল এগী মখাদা কোংগ্রেসতা নৌনা য়াওরকপগী হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এনা মখা তানা হায়, লৈঙাকসিগী মতম লোইগদৌরবা ফাওবদা চীংগী লম্বী থোং ফহনবদি লায়রদনা তম্পাক্কী লম্বী থোংগী ফীভম কমদৌরি হায়রদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুল কয়াগী লাইফ লাইন ওইবদা নত্তনা শুগুনু অমদি হিয়াংলম এ সীগী মীয়ামনা য়াম্না মরু ওইরিবা লম্বী-ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী লম্বী কয়ারক হন্না শেম্ননবা হায়রবা ফাওবদা শেম্বীদনা লৈরিবসি লমদম অসোমগী মীয়াম লৈঙাক অসিনা নুংশিবগী খুদমলা হায়নসু হংখি।

শুগুনু এ সীদা ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন লোইখ্রবা মতুংদা ওপোজিসন্দা লৈরবা মতমদা এ সী অসিগী মীয়াম্না থাজবীবদগী এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা লৈবা মশক নাইরবা মীওই কয়া য়াওনা হান্না বি জে পিদা ভোট পীরম্বশিং ঐবু থাজবীবদগী কোংগ্রেসতা লেপ্তুনা ঙসি ফাওবদা পুন্না চৎমিন্নরগনি হায়দুনা চঙলকখিবা য়ূম মশীং ১৪৯৭ শুরে। মসিগী চাওরাকপা ভোটরশিংনা ৫৯৮৮মুক ওইগনি হায়রদুনা এম এল এনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেমব্লি মীখলদদি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইনা শুগুনু এ সীদা মীওই ৫/৬না মীখল থেংননবগীদমক ঐবু মায়থীবা পীনবা হোৎনরিবশিংদগী য়াম্না ৱাংনা ভোট মশীং হেন্দুনা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়খি।

এ সী অসিগী মীয়াম্না মহাকপু নুংশিবীবদগী নৌনা চঙলকপা অমদি হান্না লৈজরম্বা ভোটর খুদিংমকপু লাইমক্লি খঞ্জদুনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং য়াওনা অৱা অনা তারবা এ সী অসিগী মীপূম খুদিংমক্তা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা কৎথোকচগনি। মীয়ামগী তৌবীমল লেম্না খক মাঙহঞ্জরোই। মথৌ তারবদি মীয়ামগীদমক ইশাগী ঈ ফাওবা কৎথোকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উরিপোক চিঙ্গাক্তা মীপান তাংদবা কন্সটিট্যুএন্সি ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুনি। উরিপোক এ সী অসিদা লৈত-লায়রবা বি পি এলগী মনুংচন্না লৈবা ময়ুম-মকৈ ফাওবা নীংথিনা লৈতবা নোংমগী চারা অনী ফাওবা মপুংফানা চাবা ঙমদবা ইমুং কয়া লৈ। মরম অদুনা অহানবদা মীয়ামগী চান-থক্লবগীদমক ফংফম থোকপা চাকথুংশিং এ সী অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্দুনা লৈত-লায়রবা মীওই খুদিংমক নুংঙাই য়াইফনা লৈহন্নবা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোক্লকপনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : লৈঙাক খুদিংমক্কী অফবা অমদি ফৎতবা খরদি অদুমক লৈগনি। মীয়াম খরনা য়াগনি, খরা অমনা য়ারোই। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ওভর ওল য়েংলকপা মতমদদি থাগৎনীংঙাই ওইবা লৈঙাক অমনি হায়বা য়াই। হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা চাওনা চৈথেং পীরম্বা বন্দ অমদি ব্লোকেদ মপুং ফানা থিংবা ঙমখিবা অসি তশেংনা থাগৎলি। এম এল এ খরা দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবা অসিদি মীয়ামগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা থোক্তনবা হোৎনহন্নিংই। মীয়াম্বু লান্না লমজিংবগী থবক তৌবিদবনা ফগনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্লগে হায়না খনবিরি?

পাউ : হৌজিক-হৌজিক ঐ ইশামক বি জে পিগী এক্টিভ মেম্বর অমসু ওইরি। মরম অদুনা বি জে পিগী টিকেটতা শোয়দনা ভোট লেপকনি। টিকেটসু শোয়দনা ফংগনি। এ সী অসিগী মীওইশিংবু চাবা-থকপা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবনা ঐগী ইলেক্সন থেংননবগী মরুওইবা ৱাফম ওইগনি। এ সী অসিদা পুক হাংদুনা লৈবা মীওই অমত্তা লৈহল্লোই।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : ইম্ফাল ময়োলমক্তদা লৈবা মফম অমা ওইরবসু উরিপোক এ সী অসি খ্বাইদগী শোৎথরবা এ সী অমা ওইরে। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করিগুম্বা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবিরবদি ঐনা তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং মমাংদসু ঐনা হায়জখ্রে মদুদি বি পি এলগী মনুংচন্না লৈরিবা চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবদগী পুক হাংদুনা লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱা-অনাশিং কোকহন্নবা হোৎনগনি। ঐগী ৱাখল্লোল অমা লৈজে মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মদুদি পুক হাংলবদি ফজবা ৱাখল্লোল অমদি হৈথোই-শিংথোইবা হায়বদু ওইবা ৱাই। পুক থল্লবা মতুংদা চাওখৎপগী ৱাখল্লোল লাক্কদৌরিবনি। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক উরিপোক এ সী অসিদা ঈশিং ফংদবগী চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা ইরোইশেম্বদগী লাক্লিবা ঈশিং খোইস্নাম লৈকায়, তৌরাংবম লৈকায়, নাগামপালনচিংবা মফম কয়াদা ঈশিং য়ৌরকপা মতমদি থাদরক্লিবা ঈশিংগী প্রেসর লৈরক্তবনা মরম ওইদুনা হায়রিবা লৈকায়শিং অসিদা ঈশিং ফংবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা হায়রিবা ঈশিং ফংবা ঙমদনা লৈরিবা মফমশিং অসিদা ঈশিং ফংহন্নবগীদমক ওভর টেঙ্ক অনী থমদুনা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎগনি। লোয়ননা এ সী অসিগী থবক ফংদনা লৈরিবা নহা কয়াদা জোব পীবা ঙম্নবা ওন্ট্রাপ্রেনরশিপ কয়া লৈহন্নবা হোৎনদুনা চাওরাক্না চহী মঙাগী লোং টর্ম পোলিসি অমগী মখাদা নহা লিশিং ৩,০০০দগী ৪,০০০ রোমদা মরোমদোম হিংজবা য়াবা থবক পীনবা হোৎনগনি। ফীভম ফৎতনা লৈরিবা দ্রেনশিং স্মার্ট সিটিগী মনুংচন্না মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনগনি। এ সী অসিদা চেংগী লৈরিবা প্রোব্লেম অসি থোক্তনবা হৌজিক-হৌজিক ৱাৎনা ফংলিবা চাকথুং অসি মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা ইশাদগী শেনফম ফাওবা পুথোক্তুনা হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মণিপুর ষ্টেটনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী শোৎথনা লৈরল্লিবা অসি নেচরেল রিসোর্স কয়া লৈজরবসু ফাইনান্সিএল রিসোর্সতা ওম্বোকপা ঙমদবা অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইগনি খল্লি। সেন্টরদা অদুমক দিপেন্দ তৌদুনা লৈবা অসিনসুনি। সেল্ফ ইন্দিপেন্দেন্ট রিসোর্স জেনরেট তৌবা ঙম্নবা হোৎনরবদি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎপগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙমগনি। জিরিদা চা মনাগী অচৌবা ফেক্টরি লৈরম্মী হায় অদুবু মুৎখ্রে। মরম অদুনা লমদম অসিগা চান-চুনবা থবকশিং পাঙথোকপা মথৌ তাই। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক-হৌজিক উখ্রুলদা এপলগী ফার্ম তৌরিবা অসি লৈঙাক্না অমদি মরি লৈনবশিংনা মতেং পাংশিনবিদুনা অমুক্তা হেন্না চাওখৎনবা শিনবিদুনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা অমদি মপান লৈবাকশিংদা থাদোকপা ঙম্লগদি শেনমিৎলোনদা অচৌবা কান্নবা ওইগনি। অসুম্না লমদম অসিগা চানবা-চুনবা থবকশিং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ইলেক্ট্রোনিকস এন্দ কম্যুনিকেসনদা বি ই লোইশিনবগা লোয়ননা মাষ্টর ইন হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্টসু লোইশিনখি। ঐগী অয়াম্বা এদ্যুকেসন মপানগী মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুটশিংদা তৌরকখি। অপোকপগী মীংনা খুম্লোংময়ুম রুপচন্দ্র অমদি অপোকপীগী মীংনা খুম্বোংময়ুম ওংবি বিলাসিনি কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐগী ওইনদি উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামগীদমক তৌগে হায়জরিবা থবকশিং অসি তৌবা শোয়দনা ঙমগনি। ঐনা মীয়ামগী মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমগনি হায়রিবসিগী মরম কয়া অমসু লৈ। ঐ হৌজিক য়াম্না নহা ওইরি, মীয়ামগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবা ঙমগনি। অহল অমগা নহা অমগা লমজেল চেনমিন্নরকপা মতমদা অহল অদু ফরম্বা য়াই নৎত্রগা ফৎলমদবা য়াই অদুবু লমজেল অদুদা মায়পাকপদি নহাদুনা অদুমক মায়পাক্কনি। মরম অদুনা চহী মঙাগী মনুংদা ঐনা তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। করিগুম্বা চহী মঙাগী মনুংদা তৌবা ঙমহৌদবা চিংথহৌবা থবক লৈরগসু ওল্লকপা চহীদা লোইনা মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর লিশিং ২৭ হেন্না লৈ অদুগা পোল্লিং ষ্টেসননা ৩৪ লৈ। নন মণিপুরী ভোটর লিশিং ১ রোম হেন্না লৈ।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাও ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : ভোট লেপত্রবসু মীয়ামগী থবক অদুমক তৌবা য়াই। মমাংদসু অদুমক মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লি অমদি হৌজিকসু মখা তানা ইশাগী ইথৌদাংনি খল্লগা মীয়ামগী মতেং পাংবগী থবক তৌরি। অদুবু তশেংনা এ সী অসিগী ওইনা পাকশন্না থবক তৌগে হায়রকপদদি ঐগী লৈজরিবা থৌনা অসিনা পৱর য়াওদনা মপুং ফানা থবক তৌনবা হোৎনবদা লিমিটেসন কয়া অমা লাকই। করিগুম্বা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইরগদি এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌনিংলিবা থবক কয়া শোয়দনা তৌবা ঙমগনি। মরম অদুনা পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। মীয়াম্না হায়নরিবা ৱাফমশিং অসি অচুম্বনি পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি মীয়ামগী থবক তৌগদবনি। অদুবু ভোট কাখ্রবা মতুংদা মীয়ামগা লোয়ননা চৎপদি লায়রদনা মী লাকপদা থোং লোনশিন্দুনা লৈবগী ফীভমদা লৈরে। লৈত-লায়রনা চম্না হৌরকপা মীশক অমা ওইবনা ঐগী ওইনদি মীয়ামগা লোয়ননা অদুমক চৎকনি। পোলিটিক্স তৌবা মীওইশিংবু ফত্তে হায়নরিবসি অরানবা নত্তে, অদুবু পোলিটিক্স তৌবা মরক্তা মীয়ামগী খনবা অফবা মীওই কয়া অমসু য়াওরি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লবা মীয়ামগী থবক তৌদুনা উৎকনি।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুখৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : শেল পায়দ্রবদি ইলেক্সন থেংনবা য়াদবগী ফীভম অমদা লৈরিবা অসি শেমদোকপা মথৌ তাই। ভোট লেপকনি হেক তাবদা মীয়াম্না ইহান হান্না হংনরিবা ৱাহং অসি শেল কয়া য়াম্না পায়রবগে হায়বসিনি। শেল পায়দ্রবদি ভোট লেপ্পা য়াদ্রবা হায়বসিসু মীয়ামদা হংনিংবা ফাওই। ঐনা ভোট লেপকে হায়না থোক্লক্লিবসি শেল য়াম্না পায়রে হায়না থোক্লকপা নত্তে, মীয়ামগী থবক তৌগে শোৎথরবা এ সী অসিবু অওনবা অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনরমগে হায়না থোক্লকপনি। হায়জনিংবা ৱাফমদি ভোটতা শেল য়াম্না চঙহনবা অসিনা করপসন তৌরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা ভোটতা মীয়াম্না কেন্দিদেটশিংদা শেল কা হেন্না চঙহনদনবা হোৎনসি। মদুনা করপসন হন্থহনবা ঙম্বা খক নত্তনা মীয়ামগী থবক হেন্না ফজনা তৌরকপা ঙমগনি হায়না খল্লি। ইলেক্সনদা শেল লৌদনা অফবা মীহুৎ থাগৎলবদি অমদি থবক কৌরকপা মতমদা মীয়াম্না শেল পীদ্রবদি অদুমক করপসন মশানা মাঙজখিগনি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্না থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : ঐহাক হৌজিক য়াম্না নহা অমসু ওইরি অদুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা অমদি ৱা ঙাঙবসু পান্মী। মরম অদুনা করিগুম্বা লমদম অসিদা অপিকপদগী হৌরগা অচৌবা ফাওবগী মনুংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা য়াম্না পুকচেল শেংনা মমা-লৈবাক নুংশিবগা লোয়ননা থবক তৌনরক্লবদি লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরুফংনা মুখৎপা ঙমদ্রবা মকসু ফনা য়াম্নদি হন্থহনবা ঙমগনি। অদুগা করিগুম্বা পোৎশক খরদা লাই হাক্ততগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা থিংবা ঙল্লোইরদবা পোৎশক্তি লিগেলাইজ তৌদুনা কন্ট্রোল তৌদুনা চৎন-কাংলোন শেমদুনা চৎহনবনা ফগনি খল্লি। অদুগা থিংবা ঙমগদবা পোৎশক্না মপুং ফানা থিংবা ঙম্নবা হোৎনবা ফৈ। নৎত্রগা মপুং ফানা থিংলসি হায়রগনা চপ মান্ননা পুন্না অমত্তা ওইনা থিংনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মফম খরদনা থিংলগা মফম খরদনা অমুক থিংদবগী ফীভম অসিদা অদুমক লৈরগদি থিংগে খল্লিবা পোৎশকশিং অদু থিংবা ওইথোক্লোই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : অহানবদা এদ্যুকেসন সিষ্টম হান্না শেমদোকপা অমা তঙাইফদে। লমদম অসিদা হৌজিকসু অয়াম্বনা অদুমক সাইন্স, আর্টস অমদি কমর্স হায়না অদুমক লৈরি। মরম অদুনা জোব ক্রিএট তৌবা ঙমগদবা এদ্যুকেসন সিষ্টম অমা ওইহনবা চঙলি। স্কিল দিভলপমেন্ট ফজনা পীরগা তোঙান-তোঙানবা কম্পনিশিং লিংখৎতুনা হোৎনরবদি মীশিংসু য়ামদবা লমদম অমা ওইবা মরম্না য়াম্না লাইনা লমদম অসিদা লৈরিবা অনইমপ্লোইমেন্টকী প্রোব্লেম অসি সোল্ভ তৌবা ঙমগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা নৈলিট ...

লামায় ১গী মখা...

মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা বি পি ওশিং য়াওনা জোব ক্রিএসনগী থবক মায় পাক্না পাঙথোকপগা মরী লৈননা প্রোগ্রাম খরা পায়খৎপা হৌরে হায়রদুনা মসিগীদমক ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিং ইন্দষ্ট্রিদা থবক পীননবা হোৎনরি হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা অনৌবা জোব লাখ ৫ হেন্না হাপচিল্লে হায়বগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা চৎলিবা চহী অসি খক্তদা ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিংদা জোব লাখ ৩ হেন্না লৈহনবা ঙল্লে হায়খি।

ঙসিগী চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা এম এল এ এম রামেশ্বর, নৈলিটকী দিরেক্টর জেনরেল ডা. জায়দিপ কুমার মিশ্রা, চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদব, নৈলিট ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রামেশ্বর, চুড়াচান্দপুর নৈলিটকী জোইন্ট দিরেক্টর আর কে বিগেনসনা অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা ঙসি শঙ্গাদুনা অমসুং অপগ্রেদ তৌদুনা চাওখৎহনখ্রবা নৈলিটকী সেন্টর ৫ মক্কী মহৈরোয়শিংগসু ভর্চ্যুএল কনফরেন্সদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

য়েৎনরিবা ঙমখৈগী

লামায় ১গী মখা... পীখ্রে। মহাক্কী মায়কৈদগীসু থাজবা পীরক্লে। ঙসিসু চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিল্লুরে। সী এমনসু লমগী য়েৎনবা লৈরিবা মফমশিংদা ফেন্সিং খাবা লেপ্পনবা খঙহনখ্রগনি/লেপহল্লগনি হায়বগী থাজবসু পীরক্লে হায়খি। অদুবু থবক ওইনা পায়খৎলব্রা হায়বদু য়েংখিগনি। করিগুম্বা মখা তানা লেপ্তুনা শম্বল খাজিল্লক্লগদি অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়বসিনা অরেপ্পা পান্দম ওইদুনা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

HL/P/6919/15-24

"CINE TV MANIPUR"
Only on ***ISTV*** *&* ***Impact tv***

Now Watching :	**Coming shortly :**
Cine talk, Ningsing Khonthang, Hello Cine tv, Music Video Albums, *Manipuri Films etc.*	*Cine Quize, Adomgi Wahang Eikhoigi Paokhum, CineTv ga Nongma, Amuktang Unajage, Manipuri Teleplay & Tele Serial, New films etc.*

Ngasimak Adomgi LCO Unabiyu Amadi Subscribe Toubiyu.

ISTV (*Pay Channel*) : SD-112 & HD-125
IMPACT TV (*Basic*) : SD-111 & HD-705

Anouba Thouram Kaya Hapchinbaga Loinana Film Premiere Channel Ama Hangdoktuna Athuba Matamda Anouba Manipuri Filmsing Premiere Show hounabasu Hotnajari.

Cine Tv Adomgini. Cine Tv Meeyamgini.

CINE TV MANIPUR **CINE TV MANIPUR**

HL-B/7163/17

यूको बैंक UCO BANK

(भारत सरकार का उपक्रम / A Govt. of India Undertaking)
सम्मान आपके विश्वास का / Honours Your Trust

রুল ৮(১)
ইম্মুভেবল প্রোপর্টিগী
ꯄꯣꯖꯦꯁꯟ/পোজেসন নোটিশ

সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট (এস এ আর এফ এ ঈ এস আই), ২০০২ (নম্বর ৫৪ ওফ ২০০২)গী মখাদা **য়ুকো বেঙ্ক**কী ওথোরাইজ ওফিসর ওইনা মখাদা খূৎয়েক পীরিবা ইশামক্না সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২গী রুল ৯ অমসুং সেক্সন ১৩(১২) না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা শেল পুরিবা মীওইদা তোল্লিবা শেনফমশিং, মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা শিংদোক্লবা খঙহঞ্জখ্রে।

বোরোৱরনা শিংফম থোকপা শেনফম শিংবা ঙমখিদবদগী ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) অমসুং হায়রিবা এক্টসিগী রুল ৯না পীরিবা পাৱর শীজিন্নদুনা প্রোপর্টি অসি ১০/০৯/২০২১ ইংদা লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর অমসুং মীয়ামদা নোটিশ অসি পীজরি। মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি দিল্লিং তৌবিদনবা মীয়াম অমদি বোরোৱরদা খঙহল্লি। করিগুম্বা দিল্লিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা এমাওন্ট অমসুং শেন্দোইগা মান্নবা প্রোপর্টি শরুক্তুগীদি **য়ুকো বেঙ্ক, সেনাপতি ব্রাঞ্চ**কী অয়াবা লৌগদবনি।

বোরোৱর মিং অমসুং লৈফম	প্রোপর্টিগী মওং মতৌ	১৩(২) নোটিশ পীখিবা তারিখ অমসুং নোটিস থোকপদা লৈখিবা শেনফম
বোরোৱর : - শ্রীমতি খুন্দ্রাকপম (নিংঙোল) পুখ্রম্বম (ওংবী) বিনা দেবী, মপুরোইবা (লৈখিদ্রবা) পি রুপচন্দ্র সিংহ, লৈফম্না নিংথৌখোং মমাঙ লৈকায়, বিষ্ণুপুর, মণিপুর, **গরেন্টর :**- শ্রীমতি তেরেসা নিয়াংবোই, খা আইমোল লোক্তাক প্রোজেক্ট, বিষ্ণুপুর, মণিপুর।	পট্টা নং: ৪০০/১৯৯২ (অনৌবা), ৩০০ (অরিবা) অমসুং সী এস দাগ নম্বর ২২৬৩ ওইবা ভিলেজ নম্বর ৪৩ - নিংথৌখোং অৱাং, বিষ্ণুপুর, মণিপুরদা লৈবা অমসুং শ্রীমতি খুন্দ্রাকপম (নিংঙোল) পুখ্রম্বম (ওংবী) বিনা দেবীগী মিংদা রেজিষ্টর তৌবা একর ০.০৫ পাক চাওবা মখাগী অসুম্না কৌইশিনবা ইঙ্খোল —— অৱাং : লম্বী খা : কে মনিসনা সিংহগী লম নোংপোক : পি শ্যামকুমার সিংহগী লম নোংচুপ : পি শ্যামকুমার সিংহগী লম	নোটিশ পীখিবা তারিখ : ০৭/০৭/২০২১ লুপা ১০,৫৬,৩০৬.৯০/- (লুপা লাখ তরা লিশিং য়াঙ্খৈতরুক চহুম শুপ্পা তরুক্না পৈশা মরিফুতরাদনি)

তারিখ : ১৬/০৯/২০২১
মফম : ইম্ফাল

এস দি/-
ওথোরাইজ ওফিসর